# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

www.sanaleibak.in




ফেব্রুৱারি ১১ অমদি ১২ গী লোন্নবা অহিংদা মৈনা চাকখ্রবা টি এন মেমোরিয়েল ইংলিশ স্কুল অমদি বোর্দিংগী মীহুৎশিংদা নিঙোল ক্লব হৈরোক্কী থৌমীশিংনা চৎতুনা শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নখিবগী শক্তম



ই এস এস মণিপুর স্টাট অপকী অনীশুবা রাউন্দ অমদি অনীশুবা বেটচকী ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরমদা ত্রেনিশিংদা এম এস সি বিগী মেনেজিং দাইরেক্তর এ সুভাসনা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখিবা



টাটা মোটোরসনা নৌনা পুথোকপা লকজরি কার অলত্রোজ টাটা মোটোরস লিমিটেদকী রিজনেল মেনেজর সৌমেন পাউলনা ইম্ফালগী ক্লকৈথেলদা লৈবা টাটা মোটোরসতা লোঞ্চ তৌবা


Volume No: 44 Issue: 080 | IMPHAL SATURDAY 15 FEBRUARY 2020 | থাংজ, ফাইরেনগী ২২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

চৈনা ফুবদি চৈনা ফরগা কাউবা য়াই, ৱাহৈনা ফুবদি কাউবা লৈতে

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৩.৬৮° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ৯° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৫.৪৯
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.০৮

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭০.৪৬
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৩.২৬


0% EMI
BAJAJ ☎ 9615472899
"OLED" SONY
BRAVIA "OLED"
Sound directly from d screen.
SONY 55" KD-55A8G
₹ 2,49,900/- = ₹ 1,79,990/-
SONY 65" KD-65A8G
₹ 3,69,900/- = ₹ 2,69,990/-
SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

SANSUI
WASHING MACHINE
6.5 KG = ₹ 7999
7.2 KG = ₹ 8999
8.2KG = ₹ 10200
6.2KG Godz = ₹ 8200
7KG New Godz = ₹ 9200
8KG Godz = ₹ 11500
8.5KG Godz = ₹ 12000
REFRIGERATOR
181 Ltr Godz = ₹ 10600
190 Ltr SAMSUNG = ₹ 11400
190 Ltr 3 STAR Godz = ₹ 13400
200 Ltr 3 STAR = ₹ 13000
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
32" LED (3220) 1YR = ₹ 9500
40' LED + TATA SKY = ₹ 19000
50' LED + TATA SKY = ₹ 29500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

কৈনো নচা এগজাম চৎতেইসে বরগা অমত্তা পীররোইদ্রে...!



লাইরিক্তি পাদনা, PUBG গী Chicker Dineer চাবা ঙমজরোই কায়না বর পীবদি ঙমনি...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### য়ু

য়ু নঙসে
কনানবু পুথোক্লম্বনো
নঙ হৌদোক্লম্বদু
মনা পীনিংই
পোকপসু য়ু
চাক উন্দসু য়ু
লু–কোকপসু য়ু
লুহোংবসু য়ু
চাক্কৌবসু য়ু
অৱাবদসু য়ু
নুংঙাইবদসু য়ু
য়ুম শঙ্গাবদসু য়ু
উসোবতসু য়ু
পরিক্ষা পাস তৌবদসু য়ু
পরিক্ষা ফেল ওইবদসু য়ু
প্রমোসন কাবদসু য়ু
শিবদসু য়ু
থিংলিসিনা কদায়দনো
হায়য়ু য়ু নঙ খঙবরা?

### লুপা ক্রোর ১৩৬৩ পুখবা শেনবা চহী ২০২০–২১ গী লুপা ক্রোর ১৯,১৫৯ গী বদজেট এষ্টিমেট পুথোকখ্রে

# ষ্টেটকী শেন্মীৎলোন অরুবা ফীভমদা লৈরি: চীফ মিনিষ্টর



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪(এসএন এস)ঃ লুপা ক্রোর ১৩৬৩ পুখরগনি হায়না পান্নরিবা মথং শেনবা চহী ২০২০–২১ গী ওইনা অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৯,১৫৯গী বদজেট এষ্টিমেট ফাইনান্স মিনিষ্টরগী ফমসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুথোকখ্রে।

বদজেট অসি ষ্টেট অসিগী প্রোব্লেমশিং, মায়োক্নরিবা খুদোং–চাদবশিং অমদি শেন্মীৎলোনগী ফীভম অসিবু ফগৎহন্নবা শিদ হিদাকমক্তি নত্তে। ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন য়াম্না অরুবা ফীভম অমদা লৈরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম হৌবা নুমিত্তা মথং শেনবা চহী ২০২০–২১গী বদজেট এষ্টিমেট পুথোকপগী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনন হায়, ষ্টেটকী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ড অসি লুপা ক্রোর ২১,২২৪ নি। মসিগী মনুংদা ক্রোর ২০৬৬না চার্জদ এক্সপেন্দিচরনি অদুগা লেমহৌরিবা ক্রোর ১৯,১৫৯ অসিনা ভোটেদ এক্সপেন্দিচরনি।

শেনবা চহী অসিগী অপুনবা রিসিপ্ট অসিনা লুপা ক্রোর ২০,১৪৬ ওইগনি অদুগা রেভিন্যু রিসিপ্টনা লুপা ক্রোর ১৮,০৮৩ অমদি কেপিটেল রিসিপ্টনা লুপা ক্রোর ২০৬৩ ওইগনি হায়না পারি। বদজেটএষ্টিমেট অসিদা ষ্টেটকী আউন টেক্স অমদি নন–টেক্স রিসিপ্ট অসি লুপা ক্রোর ১৩২৫ অমদি ক্রোর ২৫৭ নি হায়না পারি।

সেন্ট্রেল টেক্স অমদি দ্যুটিশিংদগী ফংলক্কদবা ষ্টেটকী সিয়ার অসি বদজেট এষ্টিমেট অসিদা লুপা ক্রোর ৫,৬৩০ ওইগনি হায়না পারি। মসি কুমজা ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতগী চাদ ৩৯ হেনগৎলবনি হায়খি।

চহী অসিগী ওইনা ফিসকেল দিফিসিট অসি লুপা ক্রোর ১৩৬৩ ওইগনি হায়না পারি। মসি গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্তকী চাদ ৪.০৬ ওইগনি। মসি ফিসকেল রেস্পোন্সিব্লিটি এন্দ বদজেট মেনেজমেন্ট এক্তনা পীবা চাদ ৩ অদুদগী হেল্লবনি।

বদজেট অদু হাউসতা পুথোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লৈঙাক অসিনা অহেনবা রিসোর্ছ মোবিলাইজেসন তৌনবা অমদি এক্সপেন্দিচর হম্থহন্নবা হোৎনখি। ষ্টেট অসিদা জি এস টি হেন্না খোমগৎপা ঙমখিবগা লোয়নননা শেনবা চহী ২০১৭–১৮ দা লুপা ক্রোর ৩০১ খোমগৎপা ঙমখিবা অদু কুমজা ২০১৯–২০ দা লুপা ক্রোর ৮৬২গী শেনফম খোমগৎপা ঙমগনি হায়না পারি হায়খি।

এক্সাইজ দ্যুটিদা হান্না লিকর মখলশিংদা চপ মান্ননা দ্যুটি থম্বগী মহুত্তা লিকরশিংদসু গ্রেদেদ ষ্ট্রকচর লৈরগনি। আমর্দ অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অসিগী হৌজিক লৈরিবা সি এস দি কান্টিনশিং অসিনা লিকরশিং অসি দিমাপুরদা লৈবা বোন্দেদ ৱায়রহাউসতগী লৌরম্বা অদু মণিপুর বোন্দেদ ৱায়রহাউস রুলস অসি দি মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ কা চৎমিন্নবা য়াবা মওং দা শেমদোক্তুনা মণিপুরদসু বোন্দেদ ৱায়রহাউস অমা লিংখৎনবগীদমক থৌরাং লৈরে। মসিনা ষ্টেটতা লাইসেন্স ফি অমদি রিনিউৱে ফিদা লুপা ক্রোর ২.৩১গী অহেনবা রেভিন্যু লাকহনবা ঙম্লগনি হায়না পারি।

পেট্রোল অমদি দিজলদা লৌবা ভেল্যু এদেদ টেক্সকী চাং হেনগৎতুনা চহীদা চাদ ২৯গী ভেটকী শেনফম হেনগৎহনবা ঙম্লগনি পান্নরি হায়খি। লৈঙাক অসিনা মণিপুর ষ্টেট লোটরি অমুক হন্না হৌহন্দুনা চহীদা লুপা ক্রোর ১০০গী অহেনবা রেভিন্যু খোমগৎপা ঙমহল্লগনি হায়না পান্নরি।

ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ প্রোপর্টি টেক্স রুলস, ২০১৯ গী দ্রাফ্ট লোইরে, মসি হেক চৎনবা হৌবদগী চাউরাক্না লুপা ক্রোর ৫গী রেভিন্যু কারকপা য়াই হায়না পারি।

লৈঙাক্কী একাউন্ট ৮৪৪৯ দা শেল থমজিনবা অসিনা বেক্কিং রিসোর্ছ লৈতনা অচৌবা লাইএব্লিটিজ অমা থোক্লক্তুনা ষ্টেটকী ফাইনান্সতা চাউনা অকায়বা পীরিবনি। হৌজিক প্লান অমদি ননপ্লান খায়দোক্রবনিনা ৮৪৪৯ দা শেল থমজিনবা অসি অথিংবা খরা থমখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী চহী অসিদগী তোক্লগে হায়না লেপ্লে হায়খি।

ষ্টেট অসিগী ট্রেজরি খুদিংমক্তা ই–কুবের পেমেন্ট সিষ্টেম হৌদোকখিবা অসিনা শেলগী ফিভম অসি খঙবা ঙম্লগনি হায়খি।

মণিপুর অসি ফাইনান্সিয়েল রিসোর্ছকীদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা মপুং ওইনা মীপান তাংই হায়বসিনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হ্যুমেন কেপিটেলদা শেল থাদবা অসিনা খ্বাইদগী চুনৈ হায়না লৌবগা লোয়ননা লৈঙাক অসিনা এড়ুকেসনদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি হায়খি।

কুমজা ২০১৯–২০গী বি ইদা এড়ুকেসনদা লুপা ক্রোর ১৭৪৮ ওইরম্বদগী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ২০১৭ ওইরে লোয়ননা বদজেট এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ২২৫২দা হেনগৎলে হায়খি।

চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী বদজেটতা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা লুপা ক্রোর ৬ হাপ্লে হায়খি। লমদম অসিগী নহাশিং স্কিল হেনগৎহন্নবগীদমক কুমজা ২০১৯–২০ দা লুপা ক্রোর ৫১ ওইরম্বদগী শেনবা চহী ২০২০–২১ গী বদজেট এষ্টিমেটতা লুপা ক্রোর ৭১দা হেনগৎলে হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাংগীদমক শেনবা চহী অসিগী বদজেটতা লুপা ক্রোর ২০ হাপ্লে হায়খি। জেনিমসকী তঙাইফদবা অসি য়েংলগা ...মখা লমায় ৩দা...

**বদজেটকী শন্নপ্পা ৱাফম**

- শেনবা চহী ২০২০–২১ গী বদজেট এষ্টিমেট লুপা ক্রোর ১৯,১৫৯ ওইগদৌরি।
- লিকর মখলশিংদা চপ মান্ননা এক্সাইজ দ্যুটি লৌরম্বদু গ্রেদেদ খেন্নবগী মতুং ইন্না হেনগৎলগনি।
- মণিপুরদসু বোন্দেদ ৱায়রহাউস লিংখৎনবা থৌরাং লৈরে।
- পেট্রোল, দিজলদা লৌবা ভেল্যু এদেদ টেক্সকী চাং হেনগৎলগনি।
- মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ প্রোপর্টি টেক্স অথুবদা চৎনরগনি।
- ষ্টেটকী একাউন্ট ৮৪৪৯ দা শেল হেক হেক থমজিনবদু চহীসিদগী তোক্লগে হায়না লেপ্লে।
- বদজেটতা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ওইনা লুপা ক্রোর ৬ হাপ্লে।
- সি এমগী হকশেলগী তেংবাংদা বদজেটতা ক্রোর ২০ হাপ্লে।

# 'মণিপুরী লোনবু ক্লাসিকেল লোন ওইহন্নবগী প্রপোজেল শেম শারে'



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪ (এসএন এস)ঃ থা অসিগী ২৪ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা চৎথগদবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১০ শুবা মীফম ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর ডা নজমা হেপ্তুল্লানা হৌদোকখ্রে।

তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১০ শুবা মীফম ঙসি হৌদোকখিবা অদুদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা নজমা হেপ্তুল্লা অয়ুক্কী পূং ১০.৫৫ চৎপা মতমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা থুংলখি। মহাক্না হেক থুংলবগা ৮ শুবা আই আর বিনা পীবা গার্দ ওফ ওনরসু য়েংশিনখি। তুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা গভর্ণরবু ওক্তুনা এসেমব্লি হোল মনুংদা পুশিল্লকখি।

এসেমব্লি সেসন হৌদোকখিবা অদুদা গভর্ণরনা পূং ১.১৮ চঙনা মহাক্কী ওইবা ৱারোল পীরদুনা লৈঙাক অসিনা কৈশুমশঙদা লৈরিবা ফাদোকশিং গীদমক পায়খৎলকপা য়াইফ থৌরাংগী খোঙথাং শিংগী মনুংদা ফ্রী লিগেল এইদ পীননবা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱা অমদি মণিপুর সেন্ট্রেল জেল ইম্ফালদা লিগেল এইদ ক্লিনিক অনী হাংদোক্লে। লোয়ননা নুপী ফাদোকশিংগী অঙাংশিংগীদমক ক্রেচে সেন্টর অমদি নর্সিং স্কুল হাংদোক্লবা ৱাফম খন্নরি হায়না ফোঙদোকখি।

গভর্ণরনা মখা তানা হায়খি, লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিংগী অনীংবা–অপাম্বা ঙাক্তুনা থন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মতম কুইনদগী তাল্লকপা দিমান্দ খঙলদুনা য়াম্না শীংথানিঙাই ওইবা মওংদা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) চৎনবা হৌরে। লোয়ননা ইন্নর লাইন পার্মিট পীননবা ওনলাইন পোর্টেল অমা হৌদোক্লে অমদি মীয়ামদা পার্মিট অসি ওনলাইনগী খুৎথাংদা লৌবা য়ারগনি।

লো এন্দ ওর্দর অমসুং জষ্টিস দিলিভরিগী মতাংদা পল্লদুনা গভর্ণরনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা ইন্সরজেন্সি গ্রুপশিংগা এম ও য়ু খুৎয়েক পীনদুনা কাদর ৬৪৪ মহৌশাগী পুন্সিদা লাকহনখ্রে। খুৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগা ৱারী শান্ননবসু থোঙ লাউনা হাংলি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মিলিটেন্টশিংগী ওইবা স্কিম ফোর সরেন্দর কম রিহেবিলিটেসনগী মখাদা কাদর ৬৪৪ অমদি লীদরশিং হৌজিক ফাওবদা সরেন্দর তৌরকখ্রে। মসিগী মনুংদা মীওই ৫৭৪ না চহী ৩ লৈরম্লবা মতুং রিহেবিলিটেসন ...মখা লমায় ৩দা...

# লুপা ক্রোর ৪৮৪৫ গী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪(এসএন এস)ঃ চৎলিবা শেনবা চহী ২০১৯–২০গী ওইনা দিমান্দ ৩২ অমদি এপ্রোপ্রিয়েসন অনীগী অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৪৮৪৫গী দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্টকী শেনফম ফাইনান্স মিনিষ্টরগী চার্জসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুথোকখ্রে।

সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ পুথোক্লদুনা চীফ মিনষ্টর এন বিরেননা হায়, অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৪৮৪৫ অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২৬৬৪ না চার্জনি অদুগা লুপা ক্রোর ২১৮১না ভোটেদনি।

রেভিন্যু এক্সপেন্দিচরগী মখাদা তাল্লিবা অহেনবা দিমান্দগী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ১৩৫৯ নি অদুগা অতৈ অতোপ্পা এক্সপেন্দিরচর লুপা ক্রোর ৩৪৮৫ নি।

মসিগী মনুংদা ৱেজ এন্দ মিন্সকী লুপা ক্রোর ২৬৫৯ য়াওরবনি। সপ্লিমেন্টরি দিমান্দশিং অসি মপুং ওইনা ইমপ্লোয়িশিংগী সেলরি পীবা, শেন্দোন ...মখা লমায় ৩দা...


ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ...
MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LTD.
MSPDCL
PUBLIC APPEAL
Imphal, the 14th February, 2020

মখাদা পঙ্গরিবা মীওইশিং অসিগী মৈগী Connection নিয়ম লান্না থাল্লম্বদগী Disconnection তৌজরে।

1. SCD-I, IED-I
   i) Sorokhaibam Bimola Devi - Bypass (FIR Lodge)
   Meter No. M1P31818
   Keishamthong Laishram Leirak
   ii) Laishram Thoithoi Meitei - Bypass (FIR Lodge)
   Meter No. M1P12053
   Laishom Leirak
   iii) M. Nongyai Singh - Meter defective since 2018
   Meter No. M1P12055
2. Takyel S/D, IED-II
   Ngairangbam Makha Leikai
   i) K. Meghachandra - Y0147593
   S/o K. Manihar Singh
   ii) Keiyenpaibam Royangamba - Unauthorised
   S/o K. Sanayaima Singh
   iii) Sorisham Bocha Singh - Unauthorised
   S/o S. Indrajit Singh
   iv) Sinam Nadakumar Singh - Y0032533
   S/o S. Achou Singh
   v) Sinam Jiban Singh - Y0033065
   S/o S. Achou Singh
   vi) Sinam Amargoshwami - Y0032321
   S/o S. Achou Singh
   vii) Sinam Achou - Y0032066
   S/o (L) S. Ibobi Singh

Sd/
(B. Ibomcha Sharma)
GM-II, MSPDCL
SL/B/15


# ফোটো সেসনদা এম এল এ খরা শরুক য়াখিদ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪(এসএন এস)ঃ মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহৌবা নুমিৎতা গভর্ণরনা হাউসতা ৱা ঙাংলিঙৌদা মেম্বর অমনা কোয়চৎ চৎপা অমসুং এম এল এ খরনা ৱারী–ৱাতাই তৌনবগী মওং উবদা স্পিকরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতুং তারকপদা গভর্ণরনা হাউসতা মহাক্কী ওইবা ৱারোল পীরিঙৌদা কোয়চৎ চৎপীগনু, ৱারী–ৱাতাই শাবিগনু হায়না আপিল তৌখ্রে।

অমরোমদা, ঙসিগী মীফম হৌবা নুমিৎকী গভর্ণরনা হাউসতা ৱা ঙাঙবা লোইরবা মতুংদা নেসনেল এন্থেম খোঙলকপদা ওফিসার গেলরি অমদি ভিজিটর গেল্লরিদা ফল্লিবা মীওইশিং ফল্লগা অদুম লৈবদা চীফ মিনিষ্টরনা মখোয়বু চৈখ্রে।

মীফম অদুদা গভর্ণরনা ৱা ঙাঙবা লোইরবা মতুংদা পাঙথোকপা ফোটো সেসন অমদি টি ব্রেক লোইরবা মতুংদা নুংথিলগী সেসন হৌদ্রিঙৌদা চীফ মিনিষ্টরনা ওফিসিয়েলশিংদা করিগীদমক নেসনেল এন্থেম খোঙবা মতমদা লেপখত্তবনো হংলকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুগী পাউখুম পীরদুনা ওফিসিয়েল অমনা হায়রকখি, মখোয় হান্না লেপকে হায়না থৌরাং তৌরুরবনি। অদুবু গেলরিদা মথৌ তৌরিবা এসেমব্লিগী সেক্যুরিটিশিংনা লেপকনু হায়রকপদগী মখোয় ফল্লগা লৈখিবনি।

মরক অসিদা, ঙসিগী অয়ুক্কী মীফম লোইরবা মতুংদা গভর্ণর অমদি হাউসকী মেম্বরশিং পুন্না পাঙথোকপা ফোটো সেসন মনুংদা কোংগ্রেসগী এম এল এ ডা. চালতোন লিয়ান অমো নত্তনা নাখে শেংনা কোংগ্রেসকীনি হায়না লৈরিবা এম এল এশিং শরুক য়াখিদ্রে। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি ওপোজিসন লুচিংবা ও ইবোবি, হান্নগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমসু গভর্ণরগা পুন্না ফোটো নম্মীন্নবা অমসুং চা থকমীন্নবনচিংবদা শরুক য়াখিদে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউচে অসিদা হায়, গভর্ণর য়াওনা চহী ১ গী মনুংদা অমুকখক ফোটো নম্মীন্নবগী থৌরম অসি লিশাং শিংনা চৎনদুনা লাকই। অদুবু ফোটো নম্বদা কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়ামরুম শরুক য়াখিদবা অসিদি পুৱারীদা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসি তৌবা হৌনদে।

কোংগ্রেস এম এল এ অমনা পাউচে অসিদা হায়, গভর্ণরগা ফোটো নম্মীন্নদবা য়াদে হায়বা অকন্নবা লৈতে। তঙাইফদবা খরদগী য়াওখিদবনি।

# মহুৎ শিল্লগা কাউন্সিলগী এগজাম থারম্বা মহৈরোই মঙা তাম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪(এস এন এস)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা চথরিবা ক্লাস টুৱেল্বকী হায়র সেকন্দরি এগজামিনেসনগী ঙসি হৌদোকপগী নুমিৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদা মহুৎ শিন্দুনা এগজাম থারম্বা মীওই মঙা তাম্থোকখ্রে। লোয়ননা মখা তাবা সবজেক্টশিংসু অথিংবা থম্লে হায়না কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরী চিঐচ বিরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুং ইন্না ঙসি মহুৎ শিন্দুনা এগজামিনেসন থারম্বগীদমক তাম্থোকখ্রবশিং অদুদি, কংলাতোংবীগী চিল চিল এসিয়ান মিসন স্কুলদা তাবা আর্টস ষ্ট্রিমগী রোল নম্বর ৭২৭৯, উমাথেলদা লৈবা ককচিং খুনৌ কোলেজদা তাবা আর্টস ষ্ট্রিমগী রোল নম্বর ৭৬৭২ অমদি সাইকুলগী মোদেল ইংলিশ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তাবা সাইন্স ষ্ট্রিমগী রোল নম্বর ২৮৯১০, ২৮৯৩৭ অমদি ২৮৯৪৩ নি হায়রি।

হন্দক চহী অসিগী ওইনা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুৱেল্বকী হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন এগামিনেসন অসিদা তোঙান তোঙানবা সেন্টর ১০১ দা পুন্না মহৈরোই ২৯১৪৪ না এগজামিনেসন থারি। মসিগী মনুংদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ২০৩৬৯, আর্টস ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৮০৬৫ অমদি কম্মর্স ষ্ট্রিমদা ...মখা লমায় ৩দা...

# লমখাঙদা থৎখিবদগী কঞ্জুমরশিংদা ঈশিং ফংহনবা ঙমদ্রি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৪(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ই দি) তমেংলোংগী ৱাটর সপ্লাইনা থক্ল–চানবা অফবা ঈশিং কঞ্জুমরশিংদা অমদি লৈঙাক্কী লোইশঙ, ক্বার্টরশিংদা চয়োল অমদা অনীরক ঈশিং ফংহনহৌরি। অদুবু কঞ্জুমর ওইদবা ইমুং কয়ানা নারোলদা পাইপ হুৎলগা ঈশিং পাইপ পুশিন্নবা অসিনা মরম ওইরগা কঞ্জুমর ওইজবশিংদদি ঈশিং নীংথিনা ফংহনবা ঙমহৌদ্রি।

ষ্টেট লৈঙাক্না চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ইলেক্ট্রিক, ৱাটর সপ্লাইগী থক্নবা ঈশিংনচিংবা ফংলবসু মীয়াম্না থিফম থোকপা থাগী টেক্স মতম চানা থিদবা অমদি ইশাগী ইরলমক্লি খন্না শীজিন্নদবা, নারোলদা হুরাল্লগা শীজিন্নবা অসিগী হৈনবী লৈবা খুন্নাই অমা ওইবা অসিনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংদা অৱাবা পোৎলুম কয়া মীয়াম্না অদুমক পীদুনা লাক্লি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইজরবসু ইম্ফাল এরিয়াগা চপ মান্ননা লৈঙাক্কী লোয়শঙ, পুলিস ষ্টেসন, ইলেক্ট্রিক, ৱাটর সপ্লাই, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালনচিংবা লৈঙাক্কী থন্ফম থোকপা লোয়শঙ খুদিংমক থল্লি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংহল্লিবা খুদোংচাবা খুদিংমক লেন্না ফংহনবনি হায়বগী ৱাখল দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদসু চেল্লি।

পি ঐচ ই দি তমেংলোংগী ৱাটর সপ্লাইদা ঈশিং থাদোক–থাজিনগী থবক তৌদুনা লৈরিবা চহী ৬০ রোম শুরবা অসোংনা পাউচে অসিদা হায়, ৱাটর সপ্লাই অসিদা থবক তৌরকপা চহী ১৫ হেল্লক্লে। ৱাটর সপ্লাই অসিনা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং, ক্বার্টর অমদি কঞ্জুমরস ১০০ খরা হেন্না থক্নবা ঈশিং ফংহন্দুনা লাক্লি। ৱাটর সপ্লাই অসিগী ঈশিং অসি লেপ্তনা মীয়ামদা ফংহন্নবা মতম মতমগী ওইনা মফম অনীদগী ঈশিং লৌদুনা লাক্লি। নোং নীংথিনা তাবা মতম হায়বদি এপ্রিলদগী ওক্টোবর ফাওবদি খোঙজোরোলগী লোক্তগী ঈশিং লৌই। নোংজু থা ওইদবা মতম হায়বদি ...মখা লমায় ৩দা...


